# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর পুলিসনা চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি।

২) মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী ঙরাং নোংমৈ মরু য়াওনা খুৎশু খুৎলায় পুন্না ১০৪ তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা শিন্নরকখ্রে।

অমসুং

৩) মহা কুম্ভ মেলা মহা শিবরাত্রি থৌরমগা লোয়ননা ঙরাং লোইশিনখ্রে। হন্দক্কী মেলা অসিদা মপান লৈবাক্কী য়াওনা ভক্ত খ্বাইদগী য়ামা ইরুপ্পগী ইতিহাস অমা শেমখ্রে।

------

ওপরেসন (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি। মসিগা লোয়ননা নেসনেল হাইৱে অনিদা পোৎচৈ পুবা গাড়িশিং অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে।

ঙরাংসু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমসুং ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা মথং শিংনা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি- ৩২৪ অমসুং ২৪২ পুশিল্লকখি। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌনবা মফম ১০৯ হাংদোক্লি।

এরেষ্ট (এল)ঃ  মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিং ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং কাংপোকপীদা নোংমৈ মরু য়াওনা খুৎশু খুৎলায় পুন্না ১০৪ তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা শিন্নরকখ্রে।

কাংপোকপী জিলাদগী শিন্নরকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা এস.বি.বি.এল নোংমৈ ৬, এস.এল.আর অনি, ইন্সাস রাইফল অমা, পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩০, এস.বি.বি.এলগী মরু ২৯, পোম্পী অনি, বাইনোকুলর, বুফেং রেদিও সেট অমা, হেন্দ গ্রেনেদ ৭, চাইনানা শাবা হেন্দগ্রেনেদ অমা, এস.এল.আরগী মেগজিন অনি, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন অমা, রোকেট লোঞ্চর অমা অমদি বুল্লেটপ্রুফ জেকেৎ অমা য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্টতগী পীখৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা এস.এম.জি করবাইন অনি, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, হেন্দগ্রেনেদ মঙা, তিয়ার স্মোক সেল ৭, মোর্টার বোম সেল অমা, রবর বুল্লেট অহুম, মেগজিন য়াওদবা স্নাইপ্পর রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রিগী মরু অহুম, ইন্সাস রাইফল অনি, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, হেলমেট অমা য়াওরি।

মরক অসিদা, মণিপুর পুলিসনা ঙরাং শিংজমৈ মখা ককৱা অসেম লৈকাইদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা ঙরাং ফারে। ফারবা মীওই অদু মীয়াম, সরকারগী কর্ম্মচারিশিং, প্রধান অমদি লল্লোন ঈতিক তৌবা মীওইশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি। মঙোনদগী মোবাইল হেন্দসেট অনি, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অমদি শেল ওইনা লুপা ৮০০ ফংলে।

অমরোমদা, আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমসু ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতগী ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, থা অসিগী ১০ দা লাইশ্রম মালেমঙানবা কৌবা মীওই অমা হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমলে। মখা তানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পুলিসনা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, থ্রি

নোট থ্রি রাইফলগী মরু ১০, তিয়ার গ্যাস সেল অহুম, ক্যামগে থোং মনাক্তগী পোইন্ট থ্রি টুগী কাপ্পা য়ারিবা বোর মরু ১১ য়াওরি।

এআর (এল)ঃ ভারত লান্মীগী স্পিয়ার কোরগী লমজিং মখাদা অসাম রাইফলস, মণিপুর পুলিস, সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সেক্যুরিতিগী এজেন্সিশিংনা কন্না হোৎনবদগী মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী জিলাশিং- কাংপোকপী, ফেরজোল, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি জিরিবাম জিলাশিংদা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় ৭২ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা পীখৎলকখ্রে।

কাংপোকপী জিলাদগী পীখৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী রাইফল অমা, এস.এল.আর অনি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৬, পোইন্ট টু টুগী রাইফল অমা, রোকেট লোঞ্চর অমা অমদি মরু কয়ামরুম য়াওরি।

জিরিবাম অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদগী পীখৎলকখিবা খুৎশু খুৎলায়শিংগী মনুংদা সিঙ্গল অমদি দবল বেরেল নোংমৈ মঙা -মঙা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অনি, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল রাইফল অনি, সোটগন অমা, করবাইন মেছিনগন অমা, তিয়ার গ্যাস অমা, মোর্টার তরুক অমদি নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

পীখৎলক্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদু ভারত লান্মী অমসুং অসাম রাইফলসনা মণিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে।

ট্রেনিং (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগী নোন কম্যুনিকেবল দিজিজ সেলনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা অরবান আশাশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা নর্সিং কলেজদা ঙরাং হৌদোকখ্রে। নেসনেল প্রোগ্রাম ফোরম প্রিভেন্সন ওফ নোন-কম্যুতিকেবল দিজিজ প্রোগ্রামগী মখাদা হৌদোকখিবা থৌরম অদু ঙসি ফাওবা চখ্থগনি হায়রি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ঈষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর আর.কে. বুসোসনানা হায়- শোক শমবদা লৌনগনদবা লায়নাশিং মতম চানা খঙদোকবা হোৎনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি। মসিগীদমক যুমথোঙ

য়ুমথোঙ চংদুনা লায়না অসি লৈব্রা খঙদোকবা স্ক্রিনিং তৌগনি। আশাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা চথুগদৌরিবা স্ক্রিনিং তৌবগী থবক অসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার আই.সি.দি.এস. সেল ইম্ফাল ইষ্টনা পুন্না খুৎশমদুনা মোতিভেসনেল এন্দ ইন্সপিরেসনেল প্রোগ্রাম ৱিথ রিনোন ৱিমেন অন্দর টেন ইয়ার হায়বা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা খাবমদা লৈবা শঙাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা থৌরম অসি বেতি বচাও, বেতি পরাও স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপনি।

লেপ্রোসি (এল)ঃ এন্তি লেপ্রোসি থখায় কেম্পেনগা মরী লৈননা নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট লেপ্রোসি য়ুনিতনা শিন্দুনা আশাশিংগী ওইবা লেপ্রোসিগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা নোনে অমসুং নুঙবাগী কম্যুনিতি হেলথ সেন্তরশিংদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নেসনেল লেপ্রোসি ইরাদিকেসন প্রোগ্রামগী কো-ওর্দিনেতর মুহামদ মজিদ আলি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেপ্রোসি ওফিসার ডাঃ অজিম মরিংমৈনা লেপ্রোসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা আশা য়াওনা মীওই ৩৫ রোমা শরুক য়াখি।

পেরা লিগেল (এল)ঃ তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাশিংগী পেরা লিগেল ভোলুন্তিয়ারশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী কনফরেন্স হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি তমেংলোংনা শিনবা থৌরম অদুদা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাশিংগী পেরা-লিগেল ভোলুন্তিয়ার ১২ না শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মেম্বর সি.ঐচ.

মোমোন সিংহ অমসুং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মেদিয়েতর বি. সুপ্রিয়া দেবীনা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা তমেংলোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি, চীফ জ্‌দিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট আসরট সয়িদ সাহ্ শরুক য়াখি।

মহা কুম্ভ ঃ মহা কুম্ভ মেলা মহা শিবরাত্রি থৌরমগা লোয়ননা ঙরাং লোইশিনখ্রে। হন্দক্কী মেলা অসিদা মপান লৈবাক্কী য়াওনা ভক্ত কোতি ৬৬ লাখ ২১ না ইরুপ্তুনা ভক্ত খ্বাইদগী য়ামা ইরুপ্পগী ইতিহাস অমা শেমখ্রে।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, ভুতানগী নিংথৌ, তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রিশিং য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়ানা সঙ্গমদা ইরুপ্তুনা লাই খুরুমখি। নুমিৎ ৪৫ নি চথুখিবা মেলা অসিদা এয়ার ফোর্সনা অখন্নবা এয়ার সো কয়াসু উৎতুনা মীয়ামগী পুকিং চিংশিনখি। রেলৱেজনা অখন্নবা ত্রেন কয়া চেলহনখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সনালৈবাক্তা- ককচিং খক্তদা নোংমৈ ৩৯ য়াওনা খুৎলায় কয়া পীখৎলকখ্রে, মোঞ্জাংদনা জি.আই পাইপ অনি ফারে, খুৎলায় পীখৎলকবা থাখিবা মতম ঙসি লোইরে, অহেনবা খুৎলায় ৩০০ হেন্না পীখৎলক্কনি থাজনরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মহৌশাগী খল কাইথরকপা হায়বসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা শিংনবা অমনি হায়না রাজ্য অসিগী গভর্নর আজয় কুমার ভল্লানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর মেলদনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মেজিক নম্বর লৈনা লৈনা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা ঙমদবা হায়বসি য়ামা ইকায়নিঙাইনি হায়না শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতগী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা এসিয়ান হাইৱেদা থবক লেপহল্লে হায়না মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। ক্লাস টেনগী বোর্দ একজাম চহিদা অনিরক পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

অন্সমগা গভর্নরগা উন্নদুনা ঙমখৈ শম্বল খাবগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবগী পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুর প্রসিদেন্ট রুল চলাইরকপবু হাই কোর্টতা শিংনরকপা কেস, কোর্টনা খন্নরকপদা সোলিচিতর জেনেরেলনা মহুৎ শিন্দুনা লেপ্পকখ্রে, দিভিজন বেঞ্চতা ৱায়েল চখনবা চীফ জষ্টিসতা লানখৎলগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরদা তুরেলগী ঈমায় হন্থরকপদগী ঈশিংগী অৱাবা মায়োকরে হায়বা পাউ অমদি ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মণিপুরনা ঙমখৈ শম্বল খাবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- ৱান ডে পেরা লিগেল ভোলুন্তিয়ার ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি তমেংলোংনা শিন্দুনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেসকী হোলদা পাঙথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------